# পলেষ্টিনিয়ন রাইটস ভাইওলেট তৌবগী মতাংদা আই সি জেগী ওপিনিয়ন লৌনবা পুথোকখিবা য়ুএন রিজোলুসনগী ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে



য়ুএন, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ইজরেলনা পলেষ্টিনিয়নশিংগী লম মতম শাংনা পায়শিনবা অমদি লৌশিনবদগী লাকপা য়াবা লোগী ওইবা অফ-ফত্তশিংগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ওপিনিয়ন লৌননবা পুথোকখিবা রিজোলূসন অমগী মতাংদা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে।

ইজরেল্লিশিংনা চথুরিবা থৌওংশিংনা ইষ্ট জেরুসালেম য়াওনা ওক্যুপাইদ পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা লৈরিবা পলেষ্টিনিয়নশিংগী হ্যুমেন রাইটসতা শোকহল্লি হায়না মমিং থোনবা দ্রাফট রিজোলূসন অদু ইরাই নুমিত্তা লৈবাক ৮৭ না শৌগৎতুনা য়ানখি।

রিজোলূসন অদু ভোট লৌনবদা লৈবাক ২৬ না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ৫৩ না মদুদা শরুক য়াখিদে। রিজোলূসন অদুনা হৌজিক হৌজিক ইজরেলনা পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরোমদোম লেপচবা য়াবগী রাইট ভাইওলেট তৌবা, ইজরেলনা কুমজা ১৯৬৭ তগী পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরি পায়শিন্দুনা মফম অদুদা সেটলমেন্টশিং শেমগৎপা, শেংলবা সিটি জেরুসালেমগী ষ্টেটস, করেক্টর অমসুং দেমোগ্রাফিক কম্পোজিসনদা অহোংবা লাকহন্নবগী পান্দমদা পুথোকখিবা থৌরাংশিং অদুনা লাকহনবা য়াবা লোগী ওইবা অফ-ফত্তশিংগী মতাংদা এদভাইজরি ওপিনিয়ন পীননবা য়ুএনগী খ্বাইদগী ৱাংবা জুদিসল বোদি আই সি জেদা হায়জনবা ৱারেপ লৌখি। মখা তানা রিজোলূসন অদুনা ফেক্টতা বেজ তৌবা য়ুএনগী টোপ কোর্ট অসিদা ইজরেলনা চথুরিবা থৌওংশিং অমসুং মসিগী পোলিসিনা ওক্যুপেসনগী ওইবা লিগেল ষ্টেটসতা করম্না শোকহনবগে অমদি ষ্টেটস অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট পুম্নমক অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওইনা লাকপা য়াবা লোগী অফ ফত্তশিং করি করি ওইগদগে হায়নসু হংখি।

য়ুএস অমসুং ইজরেলনা রিজোলূসন অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। ব্রাজিল, জপান, ম্যান্মার অমসুং ফ্রান্স ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদে। ভোট অদু পাঙথোক্লিৌগী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা এম্বেসেদর গিলার্দ ইরদাননা রিজোলূসন অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা ৱাফম অদুগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী এদভাইজরি ওপিনিয়ন লৌবা হায়বসি য়ুএন অমদি মসিবু শৌগৎলিবা লৈবাক খুদিংমক্কী মোরেলদা শোকহনবনি হায়খি।

ইন্টরনেসনেল বোদি অমত্তনা জিৱিষ্ট মীয়ামগী মশাগী লমদা মখোয়বু ওক্যুপায়রশিংনি হায়না ৱারেপ লৌবা য়ারোই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি মোরেলগী মীৎয়েংদা বেঙ্করপ ওইরবা অমসুং পোলিটিকেল ইথিল চাওনা চঙলবা য়ুএনগী মেন্দেটনা মরম ওইদুনা জুদিসল বোদি অসিনা লৌরকপা ৱারেপ খুদিংমক মপুং ফানা লোগী মায়োক্তা ওইগনি। ইরদাননা মখা তারদুনা ইজরেলগা মরী লৈননা সবাদতা ভোট লৌননবা ৱারেপ লৌখিবা অসিমক য়ুএনগী মোরেল কায়রকপগী ময়েক লারবা অতোপ্পা খুদম চাংদম অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা ভোট অদুগী মতাংদা গ্লোবেল বোদি অসিবু পুৱারীগী ওইবা ফেক্টশিং হোংদোক্ল বা হোৎনৈ হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা জিয়ুশিং মশাগী লমদা ওক্যুপায়র ওইফম থোক্তে হায়খি।

মহাক্না হায়খি, লোনা য়াফম থোক্তবা য়ুএনগী ৱারেপ অদু ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টনা ইনফম থোক্তে। জিৱিষ্ট মীয়াম মশাগী লমদা ওক্যুপায়রশিংনি হায়বা য়ারোই। য়ুএনগী রিজোলূসন অমত্তনা অসিগুম্বা পুৱারীগী ওইবা অচুম্বা ৱাফম অসি শেমদোকপা য়ারোই হায়না নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখি।

# কিভ অমসুং য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা দ্রোন এটেক চথখ্রে



কিভ, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
রসিয়ন ফোর্সশিংনা ন্যু ইয়রগী মতম য়াওনা নুমিৎ কয়ানি লেপ্তুনা পরিং নাইনা চথখিবা ষ্ট্রাইকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা কিভ অমসুং য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা দ্রোন এটেক কয়া চথখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং অথেংবদা কিভ অমদি খর্কিপ, দোনেটস, দনিপ্রো পেট্রোবস অমসুং জাপোরিজিয়া রিজনশিংদা এয়র রেইদকী সাইরেনশিং খোঙখি হায়না য়ুক্রাইয়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্টনা হায়রি। কিভ রিজনগী গভর্ণর ওলেক্সি কুলেবাগী মতুং ইন্না এটেক অদু অহিং নোংয়াইগী মতম য়ৌরমদাইদা হৌখি অমসুং ইরাননা শাবা সাহেদ দ্রোনশিংনা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌখি।

কিভকী মিলিটরিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা খ্বাইদগী নৌবা এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা ৱার্নিং ইস্যু তৌখি। সোসল মেদিয়া সাইট শীজিন্নদুনা কিভতা এয়র এটেক চথরক্লে হায়না ৱার্নিং অদুদা পনখি।

সিটি অদুগী মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ সর্চি কোকোনা মীয়ামদা সেল্টরশিংদা লৈননবা আপিল তৌখি। কিভকী মেয়র বিটালি ক্লিটচকোনা সিটি অদুগী অৱাং নোংপোক থংবা দেসনিয়াঙ্কি দিষ্ট্রিক্টতা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোক্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইম্মার্জেন্সি সার্ভিসশিং কন্না থবক তৌরি হায়খি।

এজেন্সিনা মেয়র অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কেপিটেলগী দেসনিয়াঙ্কি দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ১৯ শুরবা অশোকপা অমা হোস্পিটলাইস তৌখি। হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবদি পাখৎপা তৌদনা এলাম লেপত্রিবা ফাওবা সেল্টরশিংদা লৈবা অসিনি। নুমিদাং অথেংবদা মহৌশাগুম ভিদিও এদ্রেসকী খুত্থাংদা ৱা ঙাঙখিবা প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা চহী অসিগী অহানবা অহিংদা সহেদ দ্রোন ৪৫ কাপথখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইরানিয়ন দ্রোন কয়া কাপথখিবগীদমক গ্রাউন্দ ফোর্সেসকী এয়র দিফেন্স কাঙবুশিংবু থাগৎখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা চথখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদু ন্যু ইয়রগী হেক মমাঙগী নুমিত্তা কিভতা চথখিবা মিসাইল এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিহনখিবা মতুংদা পাঙথোরকখিবনি।

রসিয়ানা থা কয়া চুপ্পা য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা টার্গেট তৌদুনা পৱার ষ্টেসনশিং মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়া নিংথম থাগী অইংবা মরক্তা মৈগী খুদোংচাবা ফঙদনা লৈহনখিবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা হেলিকোপ্টর অনী থেঙ্গায়নবদা মীওই মরি শিরে, অহুমনা ফিভম লুনা শোক্লে



ব্রিসবেন, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটকী গোল্ড পোষ্টতা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হেলিকোপ্টর অনী থেঙ্গায়নখিবগী থৌদোক্তা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং মীওই অহুম্না ফিভম লুনা শোক্তুনা লায়কন্নরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বিন্সলেন্দ পুলিসকী সাউথ ইষ্টর্ন রিজনেল দ্যুটি ওফিসার গেরি ৱোৱেলনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ব্রোদৱাটরগী সী ৱার্ল্ডগী হেক মায়োক্লবদা হেলিকোপ্টর অনী নোংথক্তা থেঙ্গায়নবদগী ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসশিং কৌখি। কায়রবা হেলিকোপ্টর অনী অদু সী ৱার্ল্ড রিজোর্ট মনাক্তা সমুদ্র মপানগী লৈঙোই মরক্তা তাশিনখি।

ওফিস অসিগী মতুং ইন্না ক্রাস অদুদা এয়রফ্রেম অমগী ৱিন্দস্ক্রিন কেনখি অমসুং ঈথৎ অদুদা অশোয় অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌখি। অতোপ্পা অদুনা মথক মখা ওল্লগা তাখি।

থৌদোক অদুদা মীওই মরি শিখি। হৌজিক ফিভম লূনা শোক্লবা অতৈ মীওই অহুম হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। নোংথক্তা হেলিকোপ্টর অনী থেঙ্গায়নবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে। কোরোনরগী মায়কৈদগী পুলিসতা রিপোর্ট অমা পীরক্লগনি।

ক্বিন্সলেন্দ এম্বুলেন্স সার্ভিসকী সেনিয়র ওপরেসন সুপরভাইজর জেনে সেরমেননা হায়খি, মদুদি হেলিকোপ্টর অনী অদুদা তোংবা মীওই ১৩ মখোয়না আইদেন্টিফাই তৌরে। মহাক্কী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা গ্লাস মচেৎশিংনা মাইনর ইঞ্জুরিশিং থোকহনবা মীওই তরুকসু য়াওখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ট্রান্সপোর্ট সিটি ব্যুরো (এ টি এস বি) গী চীফ কম্মিস্নর এঙ্গস মিচেলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ব্যুরো অসিনা নোংথক্তা থোকখিবা মীশি মীনা য়াওনা কোল্লিজন অদুগী মতাংদা ট্রান্সপোর্ট সিটি ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌরে হায়না লাউথোকখি।

এ টি এস বিনা চাওরাক্না চয়োল তরুক্তগীনা নিপান ফাওবগী মনুং ইনভেষ্টিগেসন অদুগী ইভিদেন্স কলেক্সন ফেজতা প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমা ফোঙলগনি। মদুদা ইভিদেন্স কলেক্সন ফেজতা ফঙখিবা ইনফোর্মেসন পুম্নমক পনগনি।

চৈরকসিদা ক্রাস অদুদা মীশি মীনা কয়া থোকখিবগী মতাংদা ক্বিন্সলেন্ট ষ্টেটকী প্রেমিয়র অনাষ্টসিয়া পলাচুক্না সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# এটেক চথরক্লবদি অফ-ফত্তশিং মায়োক্লগদবনি হায়না পাকিস্তানদা টালিবাননা ৱার্নিং তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিস্তান (টিটিপি) গী লোৎফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা মিলিটরি ওপরেসন অমা চথরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈ হায়বা পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলাগী ৱাফমগী পাউখুম ওইনা কাবুলদা লৈরিবা টালিবান গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে, গভর্ণমেন্ট অসিনা কনামত্তবু ইস্লামিক ইমিরেট অসিদা এটেক তৌবা য়াহল্লোই অমসুং করিগুম্বা ইস্লামাবাদনা অসিগুম্বা অরানবা খোঙথাং অমা লৌখৎনবা হোৎনরক্লবদি গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা পাউখুম পীগনি। টালিবাননা পাকিস্তানদা অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্তনবা পাউতাক পীবগা লোয়ননা ইস্লামাবাদকী প্রোব্লেম খুদিংমক কাবুলদা তান্নবসু হায়খ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মদুদি অফঘানিষ্টান মনুংদা টি টি পিগী লোৎফম কয়া লৈ হায়বা পাকিস্তানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরগী ক্লেমশিং অরানবনি অমসুং অসিগুম্বা অরানবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লিবসি কায়হৌবগী থৌওংনি। আই ই এগী ইন্টরিম দিফেন্স মিনিষ্টর মুলা য়াকুবনা ইস্যু তৌবা ষ্টেটমেন্টনা হায়, মমাঙদা অসিগুম্বা কায়হৌবগী থৌওং ওইবা ৱাফমশিং অমসুং ক্লেমশিংনা লৈবাক অনীগী মরীদা শোকহনখি। ঐখোয়না পাকিস্তানদা লৈবাক অসিনা লূনা লৌরিবা ৱাফমশিং ইস্লামিক ইমিরেটস ওফ অফঘানিষ্টান (আই ই এ) দা খঙহন্নবা অমদি ৱাফমশিং অদু দাইলোগকী খুত্থাংদা লৈখায় তাথোক্লবা আপিল তৌরি।

অফঘানিষ্টান অসি মপু পান্দবা লৈবাক নত্তে অমসুং মতম চুপ্পদা তৌদুনা লাকপগুম লৈবাক অসিনা মশা ঙাকথোকচনবা টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি অমসুং ফ্রিদমদা শীংনরকপশিং মায়োক্লনবা শেম শাদুনা লৈ। অফঘানিষ্টানগী মায়োক্তা চথরকপা অকন অরিং শীংবগী থৌওং পুম্নমক চান্নবা মওংদা পাউখুম পীগনি। ওফেন্সিব খুদিংমক্তা রেস্পোন্দ তৌননবা ঐখোয়না নীংথিনা শেম শাদুনা লৈ।

পনবা য়াবদি, মিনিষ্টর সনৌলানা পাকিস্তানি ন্যুজ চেন্নেল অমগী ইন্টরভিয়ূদা করিগুম্বা কাবুলনা টিটিপিগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎতবা তারবদি অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগী ফেসিলিটিশিংদা ইস্লামাবাদনা টার্গেট তৌরকপা য়াই হায়খিবনি।

# মেক্সিকোগী বোর্দর সিটি জ্বারেজতা লৈবা প্রিজনদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক তৌবদা মীওই ১৪ শিখ্রে

মেক্সিকো সিটি, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মেক্সিকোগী জ্বারেজ সিটিদা লৈবা প্রিজন অমদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে।

মেক্সিকান ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না শিরিবা মীওইশিং অদুদা সেক্যুরিটি পর্সনেল তরা অমসুং ইনমেট মরি য়াওই। অতৈ মীওই ১৩ এটেক অদুদা অশোক অপন নঙখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ মফম অদুদগী নাম্থোকখি।

প্রোজিক্যুটরনা হায়খি, মদুদি ইনিসিএল ইনভেষ্টিগেসন মতুং ইন্না এটেক্করশিং অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা আর্মর ভেহিকলশিংদা তোঙলগা প্রিজন অদুদা লাকখি অমসুং মখোয়না নোংমৈ কাপখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা মেক্সিকান লান্মীশিং অমসুং ষ্টেট পুলিসনা প্রিজন অদুবু অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি।

ষ্টেট প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা ওফিস অদুগী পর্সনেলশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। এটেক অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। মেক্সিকোগী প্রিজনশিং মমাঙদসু নোংমৈ কাপ্পা অমদি হাৎনা শুনবগী অতৈ থৌদোক কয়া থোকখি। অয়াম্বা প্রিজনশিং ওথোরিটিশিংনা চেকশিন্না য়েংশিন্দবশিং ওইখি।

রাইবেল গেঙশিংগী ইনমেটশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং তোইনা থোকই। জ্বারেজকুম্বা মফমশিং দ্রগ কার্টেলশিংগী মুক্লফম ওইদুনা লাকখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রিজন অদুদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথরক্লিৌগী মমাঙদা ম্যুনিসিপাল পুলিসতা এটেক তৌখি অমসুং মদুদা চেন্নবা মীওই মরি তান্নরবা মতুংদা ফাখি।

ষ্টেট প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না মতুং তারকপদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনি হায়বা অনী পুলিসনা হাৎখি। মখোয় এস য়ু ভি অমদা তোংলকখি। হৌখিবা ওগষ্টতা ষ্টেট প্রিজন অদুমক্কী মনুংদা থোকখিবা রাইওট অমা জ্বারেজ সিটিগী লম্বীশিংদসু শন্দোরকখি। ভাইওলেন্স অদুদা মীওই ১১ শিখি।

# টেহরানদা ওপিয়ম কেজি ২৪৬ ফাখ্রে



টেহরান, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ইরানগী কেপিটেল টেহরানদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনীদা ইরানিয়ন পুলিসনা ওপিয়ম কেজি ২৪৬ ফাখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

সেমি-ওফিসল টাস্লিম ন্যুজ এজেন্সিনা টেহরানগী দিপ্যুটি পুলিস কম্মান্দর হামিদ হোদাবনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ওপরেসনশিং অদুগী মনুংদা অমদা পুলিস ফোর্সশিংনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং গেঙ অমগী মীওইশিং ওপিয়ম কেজি ২১৮ গা কোন্ননা ফাখি।

হোদাবনগী মতুং ইন্না গেঙ মেম্বরশিং অদু লেপ্তুনা মোনিটর তৌখি অমসুং মখোয় লৈবাক অদুগী অৱাংদা চৎলিঙৈদা লম্বীদগী ফাখিবনি। অতোপ্পা ওপরেসন অদুদা ইরানগী এয়রফোর্স পুলিসনা টেহরানগী ইমাম খোমৈনি এয়রপোর্টতা মফমদুদগী পায়খিগদবা পেসেঞ্জর অনীদগী ওপিয়ম কেজি ২৮ ফাখি হায়না এয়রপোর্ট পুলিসকী কম্মান্দর মোসেন অকিলিনা ন্যুজ এজেন্সি অদুদা ফোঙদোকখি। অকিলিগী মতুং ইন্না দ্রগ ট্রাফিক্কর অনীদু জুদিসল ওথোরিটিশিংদা শিন্নখ্রে।

# টোপ কম্মান্দর হাৎখিবগা মরী লৈননা ইরাননা য়ুএসকী ওফিসল ৬০ ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে

টেহরান, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ইরানগী টোপ কম্মান্দর কাসেম সোলেমানি হাৎখিবদা চেন্নবগীদমক টেহরাননা য়ুএসকী ওফিসল ৬০ রোম ব্লেকলিষ্ট তৌরে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দুলাহিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক রিভোলুসন গার্দ কোরগী কুটচ ফোর্সকী হান্নগী কম্মান্দর সোলেমানি হাৎখিবগী অহুম্লকশুবা কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা টেলিভিজন ইন্টরভিয়ু অমদা অব্দুলাহিয়ন্না হায়খি, মদুদি য়ুএসনা কম্মান্দর অদুবু হাৎখিবগী মতাংদা ইরাননা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি।

টেহরাননা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা কেস অদুবু লৈরিবা লোশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা চথনবা হোৎনবদা অমেরিকনশিং অমসুং অতৈ নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা অয়েৎ অপন কয়া পী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অমা হিংগৎহন্ননবা হন্দক্তা ভেনাদা ইনৌ নৌনা ৱারী শানখিবদা অমেরিকনশিংনা মখোয়গী হান্নগী ওফিসলশিংবু ইরানগী ব্লেকলিষ্টতগী লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী জনুৱারী ৩ দা মতমদুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ওর্দরদা য়ুএস মিলিটরিনা সোলেমানি অমসুং ইরাক্কী পেরা মিলিটরি ফার্সদ সাবি ফোর্সেসকী দিপ্যুটি কম্মান্দর অবু মহাদি অল-মোহান্দিসপু বাঘদাদ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট মনাক্তা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমা চথদুনা হাৎখিবনি।

মীহাৎ অদুবু ষ্টেট টেররিজমনি হায়রদুনা ইরাননা কন্দেম তৌখি। মীহাৎ অদুগী পাউখুম ওইনা ইরাননা কুমজা ২০২০ গী জনুৱারী ৮ দা ইরাক্কী প্রোভিন্স অনবারদা লৈবা য়ুএসকী এইন অল-অসাদ বেজতা মিসাইল কয়া কাপশিনখি।

# ভেটনামদা কুমজা ২০২২ দা লাকখিবা টুরিষ্ট মশিং হান্নদগী হেনখি

হানোই, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ভেটনামগী জেনরেল ষ্ট্রেটেটিক্স ওফিসকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ দা লৈবাক অসিদা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট মিলিয়ন ৩.৭ লোম লাক্তুনা মমাঙগী চহীদা লাকখিবা মশিংদগী শরুক ২৩.৩ হেনখি। তৌইগুম্বসুং কোভিদ পেন্দামিক মমাঙ ২০১৯ দা লাকখিবা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট মশিংদগীদি য়াম্না হন্থরি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ভেটনামদা কুমজা ২০২২ দা লাকখিবা ইন্টরনেসনেল টুরিষ্ট মশিং অসি টার্গেট তৌবা মশিং মিলিয়ন মঙাদগী হন্থরি। কুমজা ২০২২ গী জনুৱারীদগী দিসেম্বর ফাওবদা প্লেনদা লৈবাক অসিদা লাকপা ভিজিটরশিংগী মশিং মিলিয়ন ৩.৩ রোম ওইদুনা অপুনবা ভিজিটর মশিংগী চাদা ৮৯.৫ ওইরি। কুমজা ২০২২ দা ভেটনামদা লাকখিবা ফোরেন ভিজিটর মিলিয়ন ২.৬ রোম এসিয়াদগী ওইদুনা কুমজা ২০২১ গা চাংদম্নবদা শরুক ১৯.৫ হেনগৎখি।

# লেফ্ট ৱিং পোলিটিসিয়ন লুলাদা সিলভা ব্রাজিলগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ব্রাসিলিয়া, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ভেটরন লেফট-ৱিং পোলিটি-সিয়ন লুই ইনাসিও লুলাদা সিলভা ব্রাজিলগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

মহাক্না লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিস পায়বসি মসিনা অহুম্লকশুবনি। ভেটরান লেফট ৱিং পোলিটিসিয়ন অসিনা কুমজা ২০০৩ অমসুং ২০১০ গী মরক্তা লৈবাক অসিবু লিদ তৌখি অমসুং মহাক্না ওক্তোবরগী মীখলদা জেয়র বোলসোনারোবু মায়থীবা পীখি। মহাক্কী অহানবা স্পিচতা লুলানা কিনিংঙাই ওইনা মাঙ তাক্লবা লৈবাক অদুবু অমুক হন্না শেমগৎশাগৎকনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি।

মহাক্না মমাঙদা ওফিস অদুবু পায়রম্বা বোলসোনারোবু কন্না য়ানিংদবা উৎতুনা চৈথাংখি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি ফম শীন্নবগী থৌরম য়াওদনবগীদমক ইরাই নুমিত্তা য়ুএস পাঙখ্রবনি। অয়ুক অঙনবদগী লুলাগী মশিং য়াম্লবা সপোর্টরশিং কংগ্রেসকী মমাঙদা মহাক্কী ৱার্কর্স পার্টিগী অঙাংবা মচু উৎতুনা পুনখি। সপোর্টরশিং অদু মখোয়গী লূচিংবগী ৱাশক লৌবগী থৌরম য়েংনবগীদমক অমদি সেলেব্রেসন পাঙথোক্লবগীদমক লাকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাংলিবা ম্যুজিক ফেষ্টিবেল 'লুলা পালুজা' গী শরুক অমা ওইনা নেসনেল ফ্লেগ চাওনা উত্তুনা দেকোরেসন তৌবা অচৌবা ষ্টেজ অনীদা পাফোর্ম তৌনবগীদমক শম্বালেজেন্দ মার্টিনহোদাভিলা য়াওনা আর্টিষ্ট ৬০ হেন্না বুক তৌখি।

লুলাগা মান্নবা ফিজোল শেৎখিবা মীওই অমনা পায়বা বেন্নরদা লভনা হেটপু মায়থীবা পীরে হায়না ইখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী থৌরম অদুবু য়াওবা লাকখিবা লুলাবু শৌগৎপা নুপী অমনা ব্রাজিলনা য়াম্না মথৌ তারিবদি মসিগী অহোংবসিনি হায়খি।

# ইজরেলনা দমাস্কস এয়রপোর্টতা মিসাইল ষ্ট্রাইক চথবদা লান্মী ২ শিখ্রে

দমাস্কস, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
ইজরেলনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দমাস্কস ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমা চথরকখিবদা লান্মী অনী শিখ্রে হায়না লোকেল সিরিয়ন মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

মিলিটরি ছোর্সশিং পনবা লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না এটেক অদু নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা চথরকখিবনি। মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা এয়রপোর্ট অদুগী ওপরেসনশিং লেপখি। এটেক অদুদা অতোপ্পা লান্মী অনীসু অশোক অপন নঙখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

মমাঙদা ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টশিংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা সিরিয়ন কেপিটেল অসিদা পোকখায়বগী মখোল কয়া তাখি হায়না পনবগা লোয়ননা ইজরেল্লিশিংগী এটেক অয়াম্বা এয়র দিফেন্সনা অরেম্বা তাহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২২ দা ইজরেলনা সিরিয়াদা মিসাইল ষ্ট্রাইক কয়া চথখিবনি।

# কলম্বীয়াদা সিজ ফায়র লাউথোকখিবদা য়ুএন চীফনা তরাম্না ওকখ্রে



য়ুএন, জনুৱারী ২ (এজেন্সী):
কলম্বীয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং খুৎলায় পায়বা গ্রুপ মঙাগী মরক্তা থাতরুক্কী সিজ ফায়র লাউথোকখিবদা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা তরাম্না ওকখ্রে।

কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট গুষ্টাবো পেট্রোনা ন্যু ইয়র নোংমা ৱাৎলিঙৈদা রেবেল গ্রুপ মঙাগা খুৎয়েক পীনখিবা কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ৫ দগী জুন ৩০ ফাওবা চৎনগদবা বাইলেটরেল সিজ ফায়র অদু লাউথোকখি।

সিজ ফায়র অদু নাকল অনীগী নিগোসিএসনগী প্রোগ্রেস মতুং ইন্না শাংদোকপা য়াগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

গুটরেজকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিক্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি সিজ ফায়র অদু অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা কলম্বীয়াগী মীয়ামগীদমক্তা মপুং ফানা মরা তপ্পা ফিভম লাকপা য়াবগী থাজবা নৌহৌননা পোকহল্লিবা অনৌবা খোঙথাংনি।

য়ানবা ৱাফমশিংবু ঙাক্না চৎপা অসিনা ভাইওলেন্স হন্থহনবগা লোয়ননা কনফ্লিক্টনা শোকহল্লবা কম্যুনিটিশিংগী অৱাবসু হন্থহন্দুনা হৌজিক চথুরিবা দাইলোগকী প্রোসেস অসিদা থাজবা পোকহনবদসু মতেং পাঙগনি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলনা অমুক হন্না হায়রি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯔꯨꯔꯦꯜ ꯕꯦꯉ꯭ꯀ
MANIPUR RURAL BANK
H.O. Keishampat Imphal

## পোজেসন নোটিস

(ইন্মুবেবল প্রোপর্টিগী) রুল-৮ (১)

মখাদা খুৎয়েক পীরিবা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী ওথোরাইজ ওফিসার অসিনা সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩ (২) অমসুং সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুলস ২০০২ গী রুল (৩) গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাগী বোরোৱরশিং অসিদা দিমান্দ নোটিস (শিং) ইস্যু তৌদুনা নোটিস (শিং) অদুদা পল্লিবা শেনফম নোটিস (শিং) গী তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা পীথোক্লবা খঙহনখি।

বোরোৱর (শিং) না শিংফম থোকফম শেনফম শিংবা ঙমদবদগী মখাদা খুৎয়েক পীরিবা অসিনা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) অমসুং মথক্কী রুলশিং অসিগী রুল (৮) গী মখাদা মঙোন্দা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি মখোয়গী মমিংশিংগা চান্ননা মখাদা পল্লিবা তারিক্তা লৌশিল্লে হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমসুং মীয়ামদা নোটিস অসিনা খঙহল্লি।

প্রোপর্টিশিং অসিবু দিল তৌদনবা অমদি প্রোপর্টিশিং অসিগী দিল্লিং চথবা তারবসু মখাদা পল্লিবা শেনফম (শিং) অমসুং ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা প্রোপর্টিগী শরুকশিং অদুগী ওইনদি মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী অয়াবা লৌগদবনি হায়না মরু ওইনা বোরোৱর (শিং) অমদি মীয়ামদা খঙহল্লি।

| সে নং. | বোরোৱরগী মিং, একাউন্ট নম্বর অমসুং ব্রাঞ্চ | দিমান্দ / এস এ আর এফ এ ই এস আইগী নোটিসকী তারিখ | দিমান্দ নোটিসতা য়াওবা ক্লেম এমাউন্ট | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| ০১ | শ্রী শগোলসেম ব্রোজেন মৈতৈ, লৈফম্না হিয়াংথাং বজার, ইম্ফাল ৱেষ্ট মণিপুর ৯০১৬২৫০০০৫১০৪ (সিসি) হিয়াংথাং ব্রাঞ্চ | ১৯-১২-২০২২ | তারিখ ০১-১২-২০১৮ ফাওবদা লুপা ৩,৮৪,৭৯১/- (লুপা লাক্ষ অহুম লিশিং মরিফুমরি চাতরেৎ মরিফুতরামাথোই) তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্টেল চার্জশিং য়াওগনি। | দিদ নম্বর ৭৬৪ তারিখ ২০-১০-২০১৩, পাট্টা নম্বর ৬৯০ (অনৌবা), সিএস দাগ নং. ১৪৮৮ ওইবা একর ১.০০ পাক চাওবা ৱাঙ্গৈই, ইম্ফাল ৱেষ্ট সব রেজিষ্ট্রার ওফিসতা রেজিষ্টর তৌবা অমসুং শ্রী শগোলসেম ব্রোজেন মৈতৈ অপোকপা (লৈখিদ্রবা) শগোলসেম তোমচৌগী মিংদা ভিলেজ নং. ১০৬ (হিয়াংথাং), ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা লৈবগী মিংদা লৈবা ইশ্বোল ক্লাসকী লম। |

**ওথোরাইজদ ওফিসার**
**মণিপুর রুরেল বেঙ্ক**

HL/P/5552/3